# রেলৱেজদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোকপা তঙাই ফদে, শেল থুমগী ওইনদি লিমিট লৈরোই ঃ পিয়ুস গোৱেল



***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৬ ঃ***
রেলৱেজদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা অনৌবা থৌশিল পায়খৎপগী তঙাই ফদবা লৈ। অদুগুম্বা থৌশিলশিং পায়খৎপদা শেল থুমগী অৱাৎপা লৈরোই হায়না রেলৱে মিনিষ্টর পিয়ুস গোৱেলনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স ওন টেক্নোলোজিকেল এদভান্সমেন্ট ইন রেলৱে এন্দ মেত্রোপ্রোজেক্ট হায়বা অখন্ননা পাঙথোকপা মীফম অমদা ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেঙ্কয়া নাইদু শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা পীযুস গোৱেলনা হায়, লম অসিদা থাদরিবা বজেট অকক্লবা চাং অমদা লৈ। অদুম ওইনমক লম অদুদা হেন্না থিগৎনবা অমদি অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোক্লবগী লমদদি শেলগী অৱাৎপা লৈরোই। মহাক মশাগী ওইবা ৱাফম ওইনা ফোঙদোকখিবদা সাইন্টিফিক ওইবা লমদা হেন্না থিজিন হুমজিন্নবগী মীৎয়েং থল্লি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়া শম্নহল্লিবা রেল লাইন অমসুং প্রেজেক্টশিং ফগৎহন্দুনা খুদোংথিবা থোকপগী চাং হন্থহন্নবা মীৎয়েং থল্লি।

রেলৱেজদা খুদোংথিবা থোকহন্দবা হায়বা ফিভম অমা শেমগৎপদা শেলগী তঙাই ফদবা লৈ। রেলৱেজদা খুদোংথিবা থোকহন্দবা হায়বদু অনৌবা ৱাখল্লোন অমসুং অনৌবা থৌশিল পায়খৎপা হায়বা অসি নত্তনা লৈতে। সেপ্টেম্বর ৩০ দা রেলৱেজ সেফতিগী লমদা মুম্বাইদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুনা ফুট ওভর ব্রিজ, প্লেটফোর্ম অমসুং তোঙান তোঙানবা রেলৱেগা মরী লৈনবা খোঙনা চখোক চৎশিন তৌবা য়াবা মফমশিং শেমগৎপদা অহেনবা মীৎয়েং থমখি।

বজেটতা অকক্লবা চাং লৈরবসু অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা শেমগৎপদদি অখাকপা লৈতনা থবক তৌগনি হায়খি। ইং ১৯৬৯ দগী শেমগৎলকখিবা ইন্দিয়াগী রেলৱে লাইনশিংনা য়াঙনা ত্রেন চৎপা অমসুং অশোয় অঙাম থোকহন্দনা নুংঙাইনা মীওই কয়া চৎহনবা হায়বসি তঙাই ফদবা অমনি। ইং ১৯৬৯ দগী ২০১৭ ফাওবদা লম অসিদা অনৌবা টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা অহোংবা পুরকপা লৈত্রি। মালেমগী ওইবা থাক্তা পেসেঞ্জর অশোয় অঙাম থোকহন্দনা নুংঙাইনা অমদি থুনা য়াঙনা পন্থুংফম য়ৌহনবা হায়বদু চপ চানা ঙাকপা ঙমদ্রি হায়খি।

# নোংলৈ নুংশিৎ নেট না কোষ্টারিকা, নিকারাগুৱা, হুন্দুরসতা মীওই ২২ শিহনখ্রে

***মেক্সিকো, ওক্টোবর ৬ ঃ***
ত্রোপিকেল নোংলৈ নুংশিৎ নেট না কোষ্টারিকা, নিকারাগুৱা অমসুং হুন্দুরসতা য়ামদ্রবদা মীওই ২২ শিহনখ্রে। হৌজিক নোংলৈ নুংশিৎ অদু মেক্সিকো অমসুং য়ু এস তমনা চঙশিল্লকখ্রে।

ময়াই থংবা অমেরিকাগী লৈবাকশিংদা ষ্টেট ইমর্জেন্সি লাওথোকখ্রে। লোয়ননা লমদম অদুদা মীওই ২০ লোম থিবা খঙদনা লৈরি হায়রি।



নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা কোষ্টারিকা, নিকারাগুৱা অমসুং হুন্দুরসতা অকনবা নোং চুহনবগা লোয়ননা মফম কয়াদা লেন্দ স্লাইদ থোক্লে। লোয়ননা ঈচাও থোকপদগী লমদম অদুগী লম্বী থোং অমসুং য়ূম কয়া চেন্থখ্রে হায়রি।

কোষ্টারিকাদা হৌজিক হৌজিক মীওই লাক্ষ ৪ রোম থক্লবা ঈশিং ফংদনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা নিকারাগুৱাদা মীওই ১১ শিহনখ্রে। লমদম অদুদা হৌজিক সেন্টিমিটর ৩৮ য়ৌনা অকনবা নোং চুরি হায়রি।

হুন্দুরাসতা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৩ শিখ্রে হায়বগী পাউ ফংলে। লোয়ননা মীওই কয়া থিবা খঙদনা লৈরি হায়রি।

ইল সালভেদরদা লৈখোম লৈনাং চেন্থরকপদা মীওই অমা শিখ্রে হায়বগী চপ চাবা পাউ ফংলে হায়না ইমার্জেন্সি সার্ভিসনা ফোঙদোরক্লি।

কোষ্টারিকাগী মনুং চনবা ইন্টর – অমেরিকা হায়ৱেদা চাওনা লেন্দ স্লাইদ থোকপগী পাউসু লৈরি। শাথিবা লেন্দ স্লাইদ অদুনা মরম ওইরগা লম্বী অদু ফাওনা চৎকদবা বস কয়া পন্দুনা লৈরি হায়রি।

পন্দুনা লৈরিবা পেসেঞ্জরশিং মোবাইল ফোনগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনরি। ঈশিং থুমজিনখ্রবা মফমশিংদা গুমভিরশিংনা এতেক্ত তৌরকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈরি। তারকোলেস তুরেল পাথোক্তুনা মফম কয়াদা ঈশিং থুমজিনবনা মরম ওইরগা মহৌশাগী পুন্সিদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লে হায়রি।

সিআরহোই.কোমনা ফোঙদোরকখিবদা গুমভিরশিং হাৎপিরোইদবনি। ঈশিং চেনবা মফমশিংগা নক্লনা মীয়ামশিং লৈরোইদবনি। অঙাংশিংবু শাফবা মভম অমদা থম্মনবা হোৎনগদবনি। করিগুম্বা খুদোংচাদবা লাক্লবদি ইমর্জেন্সি সার্ভিসতা থুনা পাউ পীরক্কদবনি হায়রি।

চৈরকশিদা লৈঙাক্লা হায়, তোকঙা শন্দোকপা পাউশিংদা মীয়াম্না থাজবা থল্লোইদবনি। লোয়ননা চেকশিন্না লৈননবা হোৎনগদবনি হায়রি।

# নাইরোবিগী ফীগী কৈথেল গিকোমবাদা চাওনা মৈ চাকখ্রে, লন–থুম কয়া মাঙ তাকখ্রে

***নাইরোবি, ওক্টোবর ৬ ঃ***
কেনয়াগী কোনুং নাইরোবিগী মনুং চন্না লৈবা গিকোমবা হায়না খঙনবা ফিগী কৈথেল অমদা তমথিবা মওংদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা দোল্লর লীশিং কয়াগী লন–থুম মাঙ তাকখ্রে।

দিবোলুসন মিনিষ্টর ৱাংগি কিউনজুরিনা ফোঙদোরকখিবদা ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্তা ফি য়োনবা কৈথেল অদুদা চাওনা মৈ চাকপগী থৌদোক থোকখ্রে। অদুগুম্বা থৌদোক অদু চহী ৫ গী মতূংদা খ্বাইদগী চাওনা অমাঙ–অতা থোকহনবা মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোক অমনি হায়রি।

বি বি সি গী ৱাঙাংলোই ফরদিনান্দনা ফোঙদোকখিবদা গিকোমবা হায়রিবা কৈথেল অদু নোংপোক থংবা অফ্রিকাগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা ফি য়োনবা ওপন মার্কেট অমনি। মরু ওইনা নোংচুপ লৈবাকশিংদগী থাজিল্লকপা সেকেন্দ হেন্দগী ফিরোল কয়া য়োল্লিবনি। মফম অদুদা হাংবা দুকান অমদা বেল ২৫০ রোম পৈদুনা লৈখি। মদু দোল্লর ২৩,০০০ রোমগী ওইগনি। হায়রিবা পোৎলমশিং অদু মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা অমাঙ অতা থোকখ্রে।

ফাইয়ার ফাইটরশিংনা মী চিনবা লম্বী অদুদা চঙশিন্দুনা মৈ কন্ননবা হোৎনবদা চাওনা খুদোংচাদবা কয়া থোকখি। লোকেল ওথোরিটিনা লন্নাই ওইবা ফাইয়ার ইঞ্জিনশিং শীজিন্নদুনা মৈ অদু মুখৎনবা হোৎনবদা মতেঙ পাংখি হায়রি।

# মকোক থোংবা পুলিস ওফিসার অমদা পীখিবা গেলেন্টরি এৱার্দ প্রসিদেন্টনা লৌথোকখ্রে

***রাতলম, ওক্টোবর ৬ ঃ***
চহী ১০ গী মমাঙদা মধ্যপ্রদেশকী পুলিস ওফিসার অমদা পীখিবা গেলেন্টরি এৱার্দ লৌথোকখ্রে। ওফিসার অদুনা তমথিবা ক্রিমিনেল অমা হাৎখিবগীদমক মঙোন্দা প্রসিদেন্টনা মতম অদুদা গেলেন্টরি মেদল পীখিবনি।



ধরমেন্দ্র চৌধরিনা ফংখিবা মনা অদু তশেং তশেংবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমগা মরী লৈননা ফংখিবা নত্তে হায়না নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না খঙবা ঙমখ্রে। চৌধরি মতম অদুদা রাতলমদা দিপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওইনা থৌ পুখিবা মীওইনি।

প্রসিদেন্ট রামনাথ কোভিন্দগী ওফিসনা ফোঙদোরকখিবদা মীওই অদুদা পীখিবা থৌনা ফবগী মনা অদু ককথৎলে। ইন্দিয়ান পুলিস সার্ভিস (আই পি এস) ওফিসার অদু ইং ২০০২ দা জাহবুৱাদা এদিসনেল এস পি ওইনা থৌ পুখিবনি। মহাক্লা নোংমৈ কাপ্পদা হুরান চিম্থি তৌবা মীওই অমা শিখি হায়না ফোঙদোক্লখি। হুরান চিম্থি তৌবা মীওই অদু মধ্য প্রদেশ, গুজরাট অমসুং রাজস্থাননচিংবা ষ্টেট অহুমনা পাম্না থিরিবা মীওই অমা ওইখি। মীওই অদুনা মী ফাদুনা পুবা, হাৎপা অমসুং লুট তৌবগী থৌদোক কয়া চথখি হায়রি।

চহী ২২ রোম শুরবা ক্রিমিনেল অদু ফাবা ঙম্বদা শেলগী মনা পীগনি হায়নসু লৈঙাক্লা মতম অদুদা লাওথোকখিবা লৈখি। মতম অদুদা ক্রিমিনেলনি হায়বা মীওই অদু ফাননবা পুলিসকী খুৎপু অমা চঙশিনখি। ক্রিমিনেল অদুনা অতোপ্পা গারী অমদা থেঙজিল্লবা মতূং লমদম অদুদা লৈরম্বা পুলিস পার্সোনেলশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। পুলিসনা খুৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অদু শিখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

হ্যুমেন রাইটসকী মতূং ইন্না লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী হকচাংদা পানখিবা নোংমৈ মরুশিং অদু অনকপা মফমদগী কাপখিবা ওইগনি হায়রি।

ষ্টেট লৈঙাক্লা হ্যুমেন রাইটসকী ৱাফম অদু মমাঙদগী য়াদনা লাকখিবনি। খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু অচুম্বা অমনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক মখা তানা কেস অদুগী মতাংদা মথং মথং হিয়ারিং চথরকখিবা মতূং থৌদোক অদু শাশিন্নবা খুৎ থোক্লবনি হায়বা খঙবা ঙম্বগা লোয়ননা পুলিস ওফিসার অদুদা ইকায় খুম্নবা ওইনা পীখিবা গেলেন্টরি এৱার্দ প্রসিদেন্টনা লৌথোকখ্রে হায়রি।

# রুসিয়াদা ত্রেন অমনা রেলৱে ক্রোসিংদা বস অমদা থোমজিনবদা মীওই ১৬ শিরে



***মোস্কো, ওক্টোবর ৬ ঃ***
রুসিয়াগী কোনুং মোস্কোদগী নোংপোক লোমদা কিলোমিটর ১০০ রোম চৎলগা লৈবা ৱ্লাদিনির লমদমদা লৈবা রেলৱে ক্রোসিং অমদা ত্রেননা মীওই কয়া পুবা বস অমদা থোমজিনবদা মীওই ১৬ শিখ্রে।

রুসিয়া মেদিয়ানা রিপোর্ট তৌরকখিবদা রেলৱে ক্রোসিং অদুদা ত্রেন লাক্লে হায়না খঙহনবা সিগনেল অদু উহৌদবনা মরম ওইরগা ক্রোসিং অদুদা চঙশিল্লুবদগী ত্রেন অদুনা থোমজিল্লকখিবনি হায়রি।

ওথোরিটিগী পাউ মতূং ইন্না বস অদু উজবেকিষ্টানদগী মীওই ৫৫ রোম পুদুনা লাকখিবনি। বস অদুনা রেলৱে ক্রোসিং অদু লাম্থোক্লবা হোৎনবদা অতোপ্পা মায়কৈদগী লাকখিবা ত্রেন অমনা থোমজিলগদৌরে হায়বা খঙবদগী পেসেঞ্জর খরদি বস অদুদগী চোংথদুনা নাম্থোকহৌই।

ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্তা থোকখিবা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা শিখিবা মীগী মশীং ১৬ নি হায়বা চপ চানা খঙদোকপা ঙমখ্রে।

রুসিয়াগী ইনভেষ্টিগেটিভ কম্মিটিনা অহানবদদি খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদবা মীগী মশীং ১৯ নি হায়না লৌখি।

অদুম ওইনমক মখা তানা কুপ্না য়েংশিল্লবা মতূং থৌদোক অদুদা শিখিবা মীগী মশীং ১৬ নি হায়বা চপ চানা খঙদোকপা ঙমখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা পিক্লিবা অঙাং য়াওনা মীওই কয়া হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অমদি শোক্লবা মীগী মশীং চপ চানা খঙদোক্লবা অকনবা থবক পায়খৎলি। রুসিয়ান টিলিভিজনদা রিপোর্ট তোরকখিবদা বস অদুদা তোংলকখিবা মীওই অয়াম্বা উজবেকিষ্টানদগী চঙশিল্লকখিবা মাইগ্রেন ৱার্করশিংনি হায়রি।

# ইন্দিয়ান নেভিগী স্পিসিয়েল কম্মান্দোশিংনা পাইরেটশিংগী মখূৎতগী জহাজ অমা কনখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৬ ঃ***
ইন্দিয়ান নেভিগী পেত্রোল ভেসেল আই এন এস ত্রিসুনা গল্ফ ওফ এদেনদা ইন্দিয়াগী কার্গো সিপ এম বি জগ অমবু পাইরেটশিংগী মখূৎতগী কনখ্রে।

নেভিগী ৱাঙাংলোই অমনা ঙসি ফোঙদোরকখিবদা ক্রু মেম্বর ২৬ লোম তোংবা জহাজ অদু পাইরেটশিংগী মখূৎতগী কনবা ঙমখ্রে। পুং ৫ রোম চুপ্না ওপরেসন চথরবা মতূং জহাজ অদু কনবা ঙমখিবনি। ইরাই নুমিৎকী অহিং পুং ১২.৩০ চৎপা মতমদগী ওপরেসন অদু চথবনি।

নেভি স্পিসিয়েল ফোর্সশিং অদুনা ইন্দিয়াগী জহাজ অদু পাইরেটশিংনা হায়জেক্ত তৌনবা হোৎনরম্বদগী কনবা ঙমহৌখি। ইন্দিয়ান নেভিনা চথখিবা ওপরেসন অদুদা পাইরেটশিংনা শীজিন্নরম্বনি হায়বা এ কে – ৪৭ রাইফল অমা, থৌরি, থাউ হাপ্পা দ্রম অমসুং থৌরিগী কৈরাকশিং ফংবা ঙমখি।

আই এন এস ত্রিসু অদু গল্ফ ওফ এদেনগী মেরিটাইম লমদমদা চৎলিঙৈদা সোমালিয়া অমসুং য়েমেনগা তাইনবা রেদ সি গী শরুক্তা পাইরেটশিং অদুনা খুদুম চন্নবা হোৎনরকখি।

চৎলিবা চহী অসিগী মে থাদসু ইন্দিয়ান নেভিনা আই এন এস সরদারসু পাইরেটশিংগী মখূৎতগী কনখিবা লৈখ্রে হায়রি।

# হায়কোর্ট ৭ মপুঙ ফাবা চীফ জষ্টিস য়াওদনা মথৌ তৌরি

***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৬ ঃ***
কর্নাটকা হায়কোর্টকী চীফ জষ্টিস এস কে মুখর্জি ওক্টোবর ৯ দা থবক্তগী পোথাখ্রবা মতূং লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা হায়কোর্টশিংদা মপুঙ ফাবা চীফ জষ্টিস লৈতনা মথৌ তৌবা কোর্ট ৭ শুখ্রে।

ঙরাং অন্দ্রপ্রদেশ, তেলঙ্গানা, কলকটা, দিল্লি, হিমাচল প্রদেশ, জর্খন অমসুং মণিপুর হায়কোর্টকী মপুঙ ফাবা চীফ জষ্টিস লৈতনা মথৌ তৌরি হায়না লো মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

তেটা অসিগী মতূং ইন্না অন্দ্রপ্রদেশ অমসুং তেলঙ্গানা হায়কোর্টশিংদা ইং ২০১৬ কী জুলাই ৩০ দগী মপুঙ ফাবা চীফ জষ্টিস য়াওদনা মথৌ তৌরকখি। অদুগা কলকটা হায়কোর্টকী ওইনা ইং ২০১৬ কী দিসেম্বর ১ দগী মপুঙ ফাবা চীফ জষ্টিস লৈরক্ত্রি।

দিল্লি, হিমাচল প্রদেশ, জর্খন অমসুং মণিপুর হায়কোর্টতা এক্তিং চীফ জষ্টিসশিংনা মথৌ তৌদুনা লাকখি। উত্তরখন্দ হায়কোর্টকী চীফ জষ্টিস কে এম জোসেফ মমাঙ চহীদা অন্দ্রপ্রদেশ/ তেলঙ্গানা হায়কোর্টকী জষ্টিস ওইনা ত্রান্সফার তৌখিবদগী ফম অদু হাংদুনা লৈহৌই।

সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং মতূং ইন্না সেন্টরনা হাংদুনা লৈরিবা চীফ জষ্টিসশিংগী ফম অদু অথুবা মতমদা মেনশিন্নবা হোৎনরি।

# অখিলেস য়াদব অমুক হন্না সমাজৱাদি পার্টি লুচিংবা ওইখ্রে

***আগ্রা, ওক্টোবর ৬ ঃ***
সমাজৱাদি পার্টিগী নেসনেল কনভেন্সন্দা পার্টি অদু হৌদোক্লম্বা মুলায়ম য়াদব কথোকপগা লোয়ননা ফম পায়খিদ্রে। মহাক্কী মচা নুপা অখিলেস য়াদবনা পার্টি অদুগী লুচিংবা ওইখ্রে।



লাক্কদৌরিবা চহী ৫ গী মতম অসিদা পার্টি অদুগী প্রসিদেন্ট ওইননবা আখিলেস য়াদবপু য়েৎনবা অমত্তা য়াওদনা খনখ্রে। অখিলেস য়াদব চৎলিবা চহী অসি হৌরকপদগী পার্টি অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা ফম অদুগী থৌ পুরদুনা লাকখিবনি। মহাক্কী অপোকপা য়াদবনা কথোকখ্রবা মতূং ৱাশক অমগা লোয়ননা মতম খরগী ওইনা আখিলেস য়াদবনা থৌ পুদুনা লাকখি। ঙসি পার্টি অদুগী অৱাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোক্লবা মতূং আখিলেসপু পার্টি অদুগী মরু ওইবা থৌ অমুক হন্না পুননবা খনখিবনি হায়রি।

পার্টি অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা ফম অদু খন্নবগী মতাংদা মুলায়মসিং য়াদবনা ভোট খোম্বগী থবক চথখিদে। চহী ২৫ চুপ্না মুলায়মসিংহনা পার্টিগী লুচিংবা ওইরক্লবা মতূং ঙসিদি য়েৎনবা য়াওদনা মহাক্কী মচানুপা আখিলেসনা মথংগী চহী ৫ ফাওবগী ওইনা থৌ পুরগনি।

আখিলেস য়াদবপু অমুক হন্না পার্টি অদুগী লুচিংবা ওইনা খল্লে হায়বা ৱাফম অদু পার্টি অদুগী নেসনেল কনভেন্সন্না ঙসি লাওথোকখ্রে। পার্টি অদুগী চৎন–কাংলোনশিং হোংদোক হোংজিন তৌদুনা মতম খরগী ওইনা পার্টিগী লুচিংবা ওইরম্বা আখিলেসপু মপুঙ ফাবা পার্টি অদুগী লুচিংবা ওইননবা ৱারেপ লৌখি।

লুচিংবা অদুনা ইং ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোকসভা মীখল অমসুং ইং ২০২২ দা পাঙথোক্কদবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা লুচিংবা ওইনা থৌ পুগনি। আখিলেস য়াদবপু অমুক হন্না পার্টি অদুগী লুচিংবা খল্লকপদা পার্টি অদুগী থৌমী কয়ানা দ্রম য়ৈদুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখি।

মমাঙ চয়োন্দা আখিলেস য়াদবনা লক্ষনৌদা লৈবা মহাক্কী মপাগী য়ুমদা চৎতুনা ৱারী শান্নখি। লোয়ননা মহাক্কী অপোকপবু পার্টি অদুগী কনভেন্সন্দা য়াওবিনবা অমসুং য়েৎনবা কয়া লৈবা ৱাফমশিং লোয়শিন্নবা হায়জখি।

অদুগুম্বা মীফম অদু তঙাই ফদনা মুলায়ম সিংহবু য়াওবিনবসু মহাক্কী মচানুপানা হায়জখি হায়রি।

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking ........... 18/05/17
Valid ................. 13/05/17
Stk ... 19 kg 36 / 14 kg 558
Time ... 7.30 to 09.30 am

**M M Gas**
Booking ........... 13/06/17
Valid ................. 01/06/17
Stk ... 612 DBTL
Time ... 7.00 to 10.00 am
Rate - Rs. 768.50

**Yairipok Gas Service**
Booking ........... 08/06/17
Valid ................. 30/05/17
Stk ... 306
Time ... 7.00 to 10.00 am

**Misao Gas Service**
Booking ........... 23/06/17
Valid ................. 06/06/17
Stk ... 612
Time ... 7.30 to 10.00 am

## সনা–সুদোকু – ৯৫৬ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 1 | 6 | 9 | 7 | 4 | 5 | 2 | 8 |
| 8 | 4 | 7 | 2 | 5 | 3 | 1 | 9 | 6 |
| 9 | 2 | 5 | 6 | 8 | 1 | 7 | 3 | 4 |
| 2 | 8 | 9 | 1 | 4 | 5 | 3 | 6 | 7 |
| 6 | 7 | 3 | 8 | 2 | 9 | 4 | 5 | 1 |
| 1 | 5 | 4 | 3 | 6 | 7 | 2 | 8 | 9 |
| 5 | 3 | 1 | 4 | 9 | 6 | 8 | 7 | 2 |
| 4 | 6 | 2 | 7 | 3 | 8 | 9 | 1 | 5 |
| 7 | 9 | 8 | 5 | 1 | 2 | 6 | 4 | 3 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-957**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 8 | | 3 | | | 1 |
| 5 | | 3 | | | | | 7 | |
| | | 2 | | | | | | |
| | | | | | 5 | | | |
| | | 5 | | 3 | 6 | | 8 | |
| 7 | 1 | | | | | | | 2 |
| 2 | | | 7 | 6 | | | | |
| | | | | | | 6 | 2 | |
| | 5 | 1 | 4 | 2 | | 3 | 9 | |